# ভুবোন মেমোরিএল দি এস এ ট্রোফিদা এইম খাবম্না হিশু থৌবাল গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০১ ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচিংগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথুরিবা ১২ শুবা দি এস এ ট্রোফি নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেশন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা অনৌবা ইমাগী মঙাল (এইম) খাবম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সিগী অহানবা লীগ মেচ অদুদা এইম খাবম্না হিশু থৌবাল গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এইম খাবম্না পোইন্ট অহুম ফংদুনা গ্রুপকী মকোক্তা লৈখ্রে।

চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়বগী চাউনা আশা তৌরিবা এইম খাবমগী শান্নরোয়শিংনা ঙসিগী মেচ অদুদা য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদবগা লোয়নননা গোল অমত্তা চন্নখিদে।

লমদমসিগী মমিং লৈরবা অমদি এক্সপরিএন্স লৈরবা শান্নরোয় কয়ানা নম্না য়াওরবা এইম খাবমগী শান্নরোয়শিংনা হিশু থৌবালগী মায়কৈদা গোল চন্ননবা অঙনবা মতমদগী হৌনা এটেক চথুখি অদুবু গোল ওন্থোকপদা অৱাবা অমা ওইখি।

হিশু থৌবালগী শান্নরোয়শিংনসু য়াম্না মিকুপ নাহুমশিংনা শান্নখিবনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল চন্নবা ঙমখিদে। হাফ মতুং মেচকী ৬৯ শুবা মিনিটতা এইমগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর বোরিসনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

এইমনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ মায় পাক্লবগী লম্বী শেম্বা হৌখ্রবদা গোল শোথুরিবা হিশু থৌবালগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনখি অদুবু গোল হন্দোকপা ঙমদনা এইমগী মখূৎতা মায়থীখি।

মেচ অদুদা এইমগী লময়ানবদা মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা হয়েংগী মেচ নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবা মতমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমসুং ক্লাসা কৈনৌ অনীনা শান্নরগনি।

# নেসনেল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মেদল লৌরকখ্রবা নৱাং স্পোর্টস একাদেমিগী শান্নরোয়শিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০১ ঃ
হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৭ তগী ২১ ফাওবা দেল্লিগী টালকোটা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৱাকো ইন্দিয়া জুনিয়র ফেদরেশন কপ অমসুং কেদেট এন্দ সেনিয়র নেসনেল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ দা নৱাং স্পোর্টস একাদেমি সেক্তাগী শান্নরোয় ১৩ না মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবদা গোল্ড মেদল ৯, শিলভর মেদল ২, ব্রোঞ্জ মেদল ৫ পূন্না মেদল ১৬ লৌরকখ্রে।

নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা নেসনেল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং নৱাং স্পোর্টর্স একাদেমি সেক্তাগী হোলদা একাদেমি অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

একাদেমি অসিগী মায়কৈদগী মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংদা অচম্বা খুদোল পোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেদেট বোইজ কেজি ৪৭ কী কিক লাইটতা এল বিসালনা গোল্ড মেদল ফংখি। জুনিয়র বোইজ কেজি ৫১ গী ফুল কোন্টেক্তা টি জয় সিংহনা গোল্ড মেদল লৌখি।

কেদেট গার্লস কেজি ৩৭ কী লাইট কন্টেক্তা টি ঐচ নাওচা চনুনা গোল্ড মেদল ফংখি। জুনিয়র গার্লস কেজি ৪৫ গী লাইট কন্টেক্তা আই বেবিচনচলনা গোল্ড মেদল ফংখি।

সেনিয়র গার্লস কেজি ৪৫ গী কিক লাইটতা এস শকহেনবীনা গোল্ড মেদল লৌখি। সেনিয়র কেজি ৫১ গী লাইট কন্টেক্তা ঐচ বিসালনা গোল্ড মেদল ফংখি।

জুনিয়র গার্লস ম্যুজিকেল ফোর্ম সোপ ষ্টাইলদা এস ঐচ জোনা চনুনা গোল্ড মেদল ফংখি। জুনিয়র বোইজ ম্যুজিকেল ফোর্ম সোপ ষ্টাইলদা টি জয় সিংহনা গোল্ড মেদল ফংখি। সেনিয়র বোইজ কেজি ৪৫ গী কিক লাইটতা ৱাই গৌতম্না শিলভর মেদল ফংখি।

কেদেট বোইজ কেজি ৪৫ গী পোইন্ট ৫ দা এল রমেসনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কেদেট বোইজ কেজি ৩৭ কী কিক লাইটতা এস লমজিংনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। জুনিয়র বোইজ কেজি ৫১ গী লো কিক্তা পি বসন্তনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। জুনিয়র গার্লস ম্যুজিকেল ফোর্ম হার্ট ষ্টাইলদা আই বেবিচনচলনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা নৱাং স্পোর্টস একাদেমিগী কোচ নৱাং ঙাঙঙোমনা মণিপুর টিমগী কোচ অমদি ওফিসিএল ওইনা শরুক য়াখি।

# অমুতোম্বী মেমোরিএল ভেটরান ক্রিকেটকী সেমী ফাইনেলদা সাইক্লোন, নবসা, মোদেল ক্লব টিম এ অমসুং চেম্প শান্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ ঃ
মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমসুং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অরিবম অমুতোম্বী শর্ম্মা মেমোরিএল কলর দ্রেস ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ থা অসিগী ৩ গী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং নবসা খা ইম্ফাল অনীনা শান্নরগনি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ অসিমক্কী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা মোদেল ক্লব টিম এ চীংঙামখা অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লি অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লি অনীনা লম্বা তৌদুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন্না চেম্প ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীদুনা সাইক্লোন সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদুদা চেম্পনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩০ মায়োক্লখিবদা রন ১০৯ লৌরগা ওল আউট ওইখি। চেম্পকী বেটসমেন টেজবন্তানা রন ২৯ (৬৩), ইবোবীনা রন ২৫ (৪৩), রজিবনা রন ১৮ (২৯), নিংহোনা রন ১২ (১৪) লৌখি।

চেম্পনা থম্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ২৪.৩ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ২ আউট ওইরগা রন ১১২ লৌদুনা চেম্পপু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা সাইক্লোনগী টিকেন্না ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা মোদেল ক্লব টিম এ চীংঙামখানা দি এস য়ু রন ৯৭ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা মোদেল ক্লব টিম এনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ২৩০ লৌখি। মদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা দি এস য়ুনা ওভর ২৮.৩ মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী রন ১৩৩ খক লৌদুনা ওল আউট ওইদুনা মোদেল ক্লব টিম এগী মখূত্তা মায়থীখি। মেচ অদুদা মোদেল ক্লব টিম এগী মুজিবুর রহমন্না রন ৯০ লৌখিবগা লোয়নননা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

# রাসমনি মেমোরিএল সভেন এ সাইদ হোকি টুর্নামেন্টতা এ আর সি শিল্লোং, বি দি ঐচ এ বিষ্ণুপুর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ ঃ
য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেশন সেন্তর কোন্থা অহল্লুপনা শিন্দুনা কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ইবুধৌ মারজিংগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা মরিশুবা ৱাই রাসমনি মেমোরিএল ইনভাইটেসন সভেন এ সাইদ মেন'স ওপন হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা এ আর সি শিল্লোং অমসুং বি দি ঐচ এ বিষ্ণুপুর মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ দ্রো ওইখ্রে।

টিম ১২ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এ আর সি শিল্লোংনা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন খুনৌ গোল ১০-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এ আর সি শিল্লোংনা পেনালটি কোর্নর ৪ অদুগা এস ৱাই য়ু সিনা পেনালটি কোর্নর ২ ফংনখিবদা টিম অনীমক্না গোল ১/১ ওন্থোকপা ঙমখি।

মায় পাক্লবা এল আর সি শিল্লোংগী গোলশিং অদু চিত্তরঞ্জন্না গোল মঙা, টি লঙ্গানা গোল অনী, হেরামনি, লিজোন অমসুং রোমেনকুমার মখোয় অহুম্না গোল ১/১ চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা এস ৱাই য়ু সিগী গোল অহুম অদু দিপু, মন্তোস অমসুং দেবেশ্বরনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা বি দি ঐচ এ বিষ্ণুপুরনা কে ঐচ এস সি খোংমন গোল ১৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। চাউনা মায় পাক্লবা বি দি ঐচ এ বিষ্ণুপুরনা পেনালটি কোর্নর ১৩ ফংখিবদা গোল অনী ওন্থোকপা ঙমখি। টিমদুগী গোলশিং অদু ঐচ মনিনা গোল ৮ চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

টিমদুগী শান্নরোয় এম সঞ্জয়মনিনা গোল মরি চনখি। টি ঐচ বিজু, এম ব্রোনসন, এম রবিচন্দ্র অমসুং পি ঐচ মালেমঙানবা মখোয় মরিনা গোল ১/১ চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ১৬ শুখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে। মেচ অদুদা সিয়োগী গোল অদু নরেসনা চনখি। ৱাই সি সি আই সিগী গোল অদুনা সনাথোইনা চনখি।

## অনীশুবা সভেন মেন এ সাইদ টিদ্দিম লীগ

ইম্ফাল, মার্চ ০১ ঃ
ফোইজিং অৱাং য়ুঠ ক্লব (পি এ ৱাই সি) ফোইজিং নম্বোলনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অনীশুবা সভেন মেন এ সাইদ টিদ্দিম লীগ ২০১৬ কী ঙসি এল এম ৱাই এ সি লৌরেম্বম অমসুং বি এফ সি অনীনা শান্নগদবদা বি এফ সি লাক্তবদগী এল এম ৱাই এ সি লৌরেম্বমনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা টি এফ সি উৎলৌনা এম এস এস পাৎশোই গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা টি এফ সি উৎলৌগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথদুনা শান্নখি। মেচকী অঙনবা মতমগী খুদোংচাবা লৌদুনা টি এফ সি উৎলৌগী শান্নরোয় সঞ্জুনা মেচকী ৮ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল রাকেসনা মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

## অন্দর-১৪ আই এম এ ফুটবোল

ইম্ফাল, মার্চ ০১ ঃ
ইরম সিফাই মগনানিমস এসোসিএশন (আই এম এ) ইরম সিফাইনা শিন্দুনা ইরম সিফাই য়াংবি গ্রাউন্দদা চথুরিবা নুপাগী চহী ১৪ মখাগী ওইবা আই এম এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা অমোফা একাদেমি মোইরাং অমসুং এম এফ এ কোন্থা অহল্লুপ গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে।

এম এম এ কোন্থা অহল্লুপকী গোল অদু সনামচানা মেচকী ১৭ শুবা মিনিটতা চনখি। অমোফা একাদেমিগী গোল অদুনা সামসন্না মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা আই এম এ টিম বি ইরম সিফাইনা এম টি এস য়ু টিম বি মালোম গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা আই এম এগী অহানবা গোল কিষন্না মেচকী ১৮, অনীসনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৪৫ অদুগা বোইনাওনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চনখি। এম টি এস য়ু টিম বিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু নানিনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা ঐচ এস ৱাই দি এ থৌবাল গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ৱাফাগী গোল অহুম্মক ওমেসনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেচতা আই এম এ টিম এ ইরম সিফাইনা এম টি এস য়ু টিম এ মালোম গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা আই এম এ টিম এগী গোলশিং অদু মাইকেলনা গোল অনী অদুগা সনাথোইনা গোল অমা চনখি। এম টি এস য়ু টিম এগী গোল অদু রঞ্জন অমসুং চীংশাংঙম্বনা চনখি।

# রোবর্টা ভিন্সিনা মালেসিয়ন ওপনদগী মপান থোকখ্রে




কৌলা লম্পুর, মার্চ ০১ ঃ
টোপ সীদ রোবর্টা ভিন্সিনা মফম অসিদা চথুরিবা মালেসিয়ন ওপনগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা টাইৱানগী কাই-চেন চাংগী মখূৎতা ৫-৭, ৬-২, ৬-১ দা মায়থীদুনা ওপন অসিদগী মপান থোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ইটালিয়ন অমদি মালেমগী ১০ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ভিন্সিনা সিজন অসিগী দব্লিয়ু টি এ টুরগী অনীশুবা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থমদুনা চঙশিল্লকখিবা অদু মালেমগী রেঙ্ক ১৫৩ শুবদা লৈরিবা কাই চেন চাংগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

ওপন অসিগী অঙনবা শরুক্তা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা অনীশুবা সীদ উক্রেনগী ইলিনা সভিটোলিনানা জপানগী মিয়ু কাটোবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেটতা ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। নীপানশুবা সীদ চিনাগী জাওসুয়ান য়াংনা মহাক্কী কম্পেট্রোইট সাইসাই জেংবু ৪-৬, ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

ওপন অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা য়ুগেনি বৌচার্দনা হোংকোংগী জাং লিংবু য়াম্না লায়না ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

কনাদিয়ন অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা জপানগী কারুমি নারাগা মায়োক্লদুনা লম্বা তৌনগনি। অহুমশুবা সীদ জর্মনগী সাবিন লিসিক্কিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদবা সেকেন্দ রাউন্দদা চেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ক্রেজৈকোভাগা শান্নগনি। লিশিক্কিনা পোলেন্দগী মাগদা লিনেট্টেবু ৬-৪, ৭-৬ (৫) তা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবগা লোয়নননা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখিবনি।

## ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অবেদা অরেগাৱিবু দ্রগ শীজিন্নরম্বগী মরালদা সস্পেন্দ তৌখ্রে




ষ্টোকহোম, মার্চ ০১ ঃ ৱর্ল্ড ইন্দোরগী মিটর ১৫০০ গী চেম্পিয়ন অবেদা অরেগাৱিবু আইন্না থিংখ্রবা পোৎলম শীজিন্নরম্মী হায়বা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্বদগী স্বিদিস এথলেটিক টিমদগী ঙসি সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না নেসনেল ফেদরেশন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইথোপিয়াদা পোকখিবা রন্নর অসিনা স্বিদিস টিমদা য়াওদুনা লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্কীদমক শরুক য়াননবা অকনবা মওংদা হোৎনরিবনি। অদুবু মহাক্না আইন্না থিংখ্রবা পোৎলম শীজিন্নরম্বগী মরালদা স্বিদিস টিমদগী লৌথোকখিবনা চমম্নবা অমা পোকপা হৌখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা নেসনেল ফেদরেশনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওষ্টেফান ওলসোনননা হায়খি, ওইরিবা থৌওং অসিদা ঐখোয়দা নীংবা কায়বা হায়বদু ওইরে। অদুবু মহাক্না চপ চানা আইন্না থিংখ্রবা দ্রগ শীজিন্নে হায়বগী কনফার্মদি তৌবা লৈত্রি।

ঐখোয়না চিন থিবগী থৌওং, আইন্না য়াদবা দ্রগ শীজিন্নবা অমদি নিশাগী পোৎলমশিং কন্দেম তৌই। ঐখোয়না শান্নবদা নিশা শীজিন্নবগী থৌওং য়াবা ঙমদে অমদি ঐখোয়না অরানবা তৌবশিং মীয়ামদা ফোঙদোক্লনবগী হক লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

লোকেল মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবা মতুং ইন্না মহাক্কী বি সেম্পল অদু এদিস অদাবাদা অহানবা ওইনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা লৌখিবা অদু চেক তৌখি অমসুং মহাক্কী অনীশুবা বি সেম্পল অদু টেষ্ট তৌননবা হায়জখি। অদুবু ওইরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়দা চমম্নবা অমা থোক্লে হায়না মহাক্কী দটচ মেনেজর জোজ হরমেন্না এক্সপ্রেসেন পাউচেদা ফোঙদোকখি।

# সন্তোস ট্রোফি ঃ মহারাষ্ট্রনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু মায়থীবা পীখ্রে, রেলৱেজ অমদি মিজোরাম দ্রো চৎখ্রে




নাগপুর, মার্চ ০১ ঃ
য়ূস্বু মহারাষ্ট্রনা মফম অসিগী এস ঈ সি রেলৱে ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌদোকখ্রবা ৭০ শুবা এদিসনগী সেনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোস ট্রোফিদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা লীগ মেচ অমদা রেলৱেজ অমদি মিজোরাম অনীনা ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল এগী মেচ অদুদা মহারাষ্ট্রা অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মীর অনীনা ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি। মেচকী অনীশুবা হাফতা মহারাষ্ট্রাগী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা শ্রীকান্টনা মেচকী মিনিট ৬১ অমদি ৭০ চৎপা মতমদা গোল অনী অমসুং রেনিয়র ফর্ণান্দেজনা মেচকী মিনিট ৮৪ চৎপা মতমদা পেনালটিদা গোল অমা চনশিন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সয়ীদ শোআইবনা মেচকী মিনিট ৬৪ চৎপা মতমদা পেনালটিদা চনখি। মেচ অদু হেক হৌখিবগা মহারাষ্ট্রা অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। নোংসু অঙকপা ফংনা চুখিবা মেচ অদুদা টিম অনীমক্না গোল চন্ননবা অকনবা মওংদা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা তকখৎনখ্রবসু গোল অমত্তা ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মিনিট ৬১ চৎপা মতমদা মহারাষ্ট্রানা মায়োক্লখিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা শ্রীকান্ট ভেরামুল্লুনা য়েৎথংবা ৱিংদগী লাকখিবা বোল অমা ওক্লগা জে এন্দ কেগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিন্দুনা গোল চনখিবগা লোয়নননা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মখোয়না গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা মখোয়গী দিফেন্দর অমনা বোক্স মনুংদা বোল থেংলুবগীদমক পেনালটি অমা জে এন্দ কেগী ফেভরদা রেফ্রিনা পীখি। পেনালটি কোর্নর অদু জে এন্দ কেগী সয়ীদ শোআইবনা মিনিট ৬৪ চৎপা মতমদা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

মহারাষ্ট্রনা মায়োক্লখিবা জে এন্দ কেগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা ভেরামুলুনা জে এন্দ কেগী দিফেন্স অনী লান্থোক্লগা অনকপা মফমদগী গোল পোষ্ট তম্না মেচকী মিনিট ৭০ চৎপা মতমদা কাওশিনখিবা বোল অমা গোল ওন্থোকখিদুনা ২-১ দা অমুক মাঙজিল থানা লৈখি।

মহারাষ্ট্রানা অকনবা এটেক তৌখিবদা তপথদ্রবা জে এন্দ কেগী প্লেয়রনা বোলদা মখূৎনা থেংলুবগীদমক রেফ্রিনা পেনালটি অমা মহারাষ্ট্রাদা পীখি। মদুদা রেনিয়র ফর্ণান্দেজনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা জে এন্দ কেগী নেটতা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবদগী ৩-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

জে এন্দ কেনা গোল হন্দোক্লনবা এটেকশিং তৌখ্রবসু কান্নবা অমত্তা ফংদনা মহারাষ্ট্রগী মখূৎতা ১-৩ দা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা লীগ মেচ অমদা রেলৱেজ অমদি মিজোরাম অনীনা শান্নখি। মেচ অদুদা টিম অনীমক্না গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। টিম অনীমক্না ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা রেলৱেজনা মায়োক্লখিবা মিজোরামগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা রেলৱেজগী জগটার সিংহনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

মেচ লোইগদবা কুইরক্তুবা মতমদা মিজোরামনা পেনালটি অমা ফংখি। মদুদা মিজোরামগী মালসাওফেলানা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা রেলৱেজগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। মখা তানা টিম অনীমক্না মায় পাক্লনবগীদমক গোল চন্ননবা হোৎনরকখ্রবসু গোল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদবগী টিম অনীমক্না ১-১ দা দ্রো চৎখি।

হয়েংগী মেচতা টামিল নাদু অমদি আসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি গোৱা অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।



HL-B/2933/1/2-29/2



HL-B/2920/28/1-23/2